

*"মীপান তাংদবা মীনা মনীং তম্বনি, মীপান তাংলোই হায়রবদি নোম্না কনবা তাই।"*

*- সোনামনি (ৱাখোকচাও)*

## য়াওশঙ হো য়াওশঙ

—রোসন মোইরাংথেম

কুমগী য়াওশঙ লাকপদা পাখঙ লৈশানা হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা মপা-মমানা ৱাজরি।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা অবেরগী আশাদা হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা পৈশাগী মথা শাজরি।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা থাবল চোংনি হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা শেনখাই লাক্কনি ৱাজরি।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা নুপী ফংলনি হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা মীশিং হেন্দৌরে ৱাজরি।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা নুপা ফংলনি হরাওরি,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা মচা নিংঙোল কায়ননি ৱাজরি।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা কোয়বা চৎলনি হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা এক্সিদেন্ট থোক্কনি মীপাইজে।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা স্পোর্টস শান্নগনি হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা মতম মাঙগনি ৱাজরি।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা হোলি চৎকনি হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা খুদোল তমগনি মীপাইরি।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা ভেন্দরশিংনা হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা নুপী ওইবীশিংনা ৱাজরি।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা বেন্দ পার্টিনা হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা লৈকায়গী পাখঙনা খোইরাংই।
কুমগী য়াওশঙ লাকপদা মীয়াম পূন্বা হরাওই,
কুমগী য়াওশঙ য়ৌরকপদা এম এল এ
মিনিষ্টরশিংনা হুমাং কাংই।
য়াওশঙ হো য়াওশঙ।
য়াওশঙ হো য়াওশঙ

## কিবনা লোইরে খাংপোকশঙসিদা

—লৈশাংথেম খেলেন্দ্রো

ঐদি লুখ্রাবীনি
ঐনা লৈরিবসিসু য়ূমদোংপোকনি
পিক্লিবা ইচা নুপীসিগা
ঐখোয় অনীখক্তনি
মীপূম খুদিংনা হন্থনা য়েংবীরি
অঙকপনি তাইবঙপাল
কনানসু পান্নদে
তাইবঙ মপু মাগী খুদোলনি
অসুম্না ওইরক্কনি খল্লুদে পুন্সিদা
অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা হোৎনরিবনি
ইচা অপিশক নঙ্গলদা পোদুনা
কনানসু মতেং পাংবীনীংঙাই লৈতে
অহিংগী মতম য়ৌরক্লবসু
কিবনা লোইরে খাংপোকশঙসিদা
মীফম্ত য়াম্বনিনা
মৈনগা মম্বনে
নুংশিৎনগা কনবনে
কেন্দল মতেকসিগা
ৱাবনা লোইরে হিংনীংদ্রে
পুন্সিসে তাইবঙপাল অসিদা
ঐঙোন্দগী হেন্না ৱাবা লৈরমখিগদ্রা।

## লোৎতুনা থল্লরোই

—সামরজিৎ লাংওনবা

অমুবা লৈঙাক্লোন্না
মমহল্লে খুন্নাইসে
লংলবা পুৱারীবু
খুমজিন্দুনা থমখ্রে।
ময়েক লারবা কংলাসু
লাঞ্জদ্রবা লাইফমশিংবুসু
উহল্লে চীংলৈবাকসিদা
য়েক্লবা অমগুম।
অঙাঙবা নোংজাবিনা
মাঙহল্লগনি অমম্বসে
মাঙফদ্রবা পুৱারীসু
লোৎতুনা থল্লরোই।
ইরৈচানা শেমগৎচবা
কংলা মাসু হিংগৎলগনি
উহল্লগনি চীংমী তম্মীগী
লোৎতুনা থল্লরোই।

## নুংশিবী মালেম

—লাইশ্রম শ্যামো

হে, ইমা লৈকোয়পুং
নুংশিদকো নহাকসে
অশাওবা কৌবা লৈতবী
পুকচেল তপ্পী পলেম-ও।
অয়ুক্তা কোরৌনা য়াকায়বী
নুমিদাং থাজনা থৌগনবী
থৱায়গী খোঙদাফম ওইরিবী
পূম্নমক্কী তুংনফম ওইরিবী।
ফংদবা লৈতেদকো নঙোন্দা
খোয়থুম্না নহাক্কী খোল্লাং
থৱায় পূন্বা হিংনবা
ওৎপা-নৈবদা শাওদবা।
নহাক্কী তম্পাক্তা শান্নরি
পোম্বী চেক্লা কয়ানা
নথানুংদা হিংজরি
তাইবঙগী থৱায় কয়ানা।
তাইবঙ চিঞ্জাকসু নহাকনি
লৈরাং লৈনমসু নহাকনি
হৈরাং হৈনমসু নহাকনি
খৌরাংবা কোকহনবসু নহাকনি।
অথুম্বা আখাবা
অশিনবা অয়াকপা
পূম্নমক খঙহল্লি
পূম্নমক ফংহল্লি।
লাইজনা নহাক্কী ঈনি
লৈফম্না নহাক্কী শাদোংনি
মালংনা নহাক্কী শ্বরনি
নহাক্তি অনী শুদবীনি।

## ঐগী ইমিৎসিদা

—মনি থৌদাম

ঐগী ইমিৎসিদা
মচু মথেল উহল্লকই,
মতম মাগী, বসন্ত
মখল শুরবা মচুনি
তগৎ-তগৎ, তনিক-তনিক,
ঐগী ইমিৎসিদা
ঐগী ইমিৎসিদা
মাগী মাগী শাথেক্তনি,
শকলোন লৌরদুনা মানা
বসন্ত, লৈরাং ওইনা শাৎলি
ঐবু লক্লরি মনীংতম্না
কুমগী বসন্ত লাকপসিদা।
ঐগী ইমিৎসিদা
ঐগী ইমিৎসিদা
কয়াম কুইনা উৎলগবা
খঙদে, কেনখিগদ্রা? মিপাইজে
লাক্কনি, ৱাকচীংগী উনখা
মীপাইজে চোইজাইনগদ্রা লৈমায়দা
ঐগী মাংদা ইকায়জরম্বী,
ঐগী মাংদা ওইনজরম্বী,
খঙদে মপুগী খূৎশেম
কেন্দবদি য়ারোই নোংমা
কেজবসু য়ারোই নোংখোংলক্তা
অসুম্না অসুম লৈমিন্নরম্বা
ঙাইহরি খঙদনা ঙাইনরিবা
মা-ঐগী পুন্সিনি।
ঐগী ইমিৎসিদা
ঐগী ইমিৎসিদা।

## চৈথেং

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

অমুক হন্না হল্লক্তুনা
মঙখিদ্রবা মঙ অদো,
অমুক হন্না লাক্তুনা
মঙলরোই মঙলান্দো।
মঙলান ওইদুনা
অদুম লৈখ্রগনি
নীংশিংদুনা
অয়ুক্তসু, নুংথিল অদুসু
নুমিদাং তুপ্লমদাই ফাওবা
নীংশিংদুনা
অমুক হল্লক্লরোইদবা
মঙলান অদো।
কয়ারক হন্নসু খনখ্রবনি
কাউথোক্লুগে হায়নসু
নীংশিংহন্দুনা অমুক হন্না
থম্মোয়দা ফংখিবা চৈনাদো
ঙসিদা নৌহৌনা অমুক
মঙখিবা মঙলান্দুনা ফংলরে,
নৌহৌনা চৈনাদো অমুক হন্না
মঙদবসু ওইরসনু
মঙলান্দো অমুক হন্না।

## উরুম ফংদ্রবা পূন্সি

—সনবম বীকেন্দ্রো

নোক্লিবনি মখোয়দি পেন্না, ঙাঙনরিবনি অরৈ লৈত,
য়েংলি অখাবা মিৎয়েংনা, শোল্লি চিন্দা মুরুম মুরুম।
থিবীয়ু নখোয়না মহাকপু, তাবীয়ু অৱাবা পূন্সিগী ৱারী
খনবীয়ু মীৎকুপ অমত্তা, করিগী, করম্না, কমদৌনা ?
খঙলম্লবদি পূন্সিগী মরমদা, থোক্লমলোই থৌদোকশিং
ফাওরক্লবদি নীংঙমদবা কয়াদা,
চেন্থখিনি মথন্তা ইচেনগুম্না ।

## কুমগী নোংখোং তাবদা

—ঙাংবম ইবেতোম্বী

নোং চুদ্রে ৱাই
নোং চুরে ৱাই
নোংনা অতিয়া কুপ্লকপদা
তনিক-তনিক্লক্লে থম্মোয়সে।
নীংশিংলকই নৌহৌনা
ঈচাওগী অৱা-চৈথেংদো
লায়রবীগী ইপোৎ-ইরল, চে-চাং কয়া মাঙখিবদো,
লৌমী, ঙামী, মীচম কয়ানা
কায়খিবা থম্মোয়দো তাইশিন্দ্রি।
মীওইবগী মরুপ, শা-ষণ, হুই-হৌদোং কয়াসু
কয়াদা ৱামিন্নখিবা তূম্ফম-চাফম খঙদনা।
কনাদনো মীচম ঐখোয়না ৱাকৎলুগদবা
তাইবঙ শেম্বা মপু, লৈঙাক মপু
মপু অনীনা য়াইফ নোংদম্বীয়ুকো
কুমসি কুমজা অসিদি।
মহৌশা লাইরেম্বী, খুশেমগী লাইরেম্বী
লাইরেম্বী অনীসু য়েংথিনবীনুকো
লাইরেম্বী অনীনা ওইহনবীয়ু নুংঙাইবা মালেম।

## পূন্সি

—লাইফ্রাকপম বীরমনি মৈতে

হো! পুন্সি, মসিরা পুন্সি !
থেঙ্খাং কয়া, থৌদোক কয়া
হঞ্জিন-হঞ্জিন থম্মোয়সিদা
করম্না খাংঙু হায়বনো।
চৈফমতনা, চৈনাখোলতনা, দাগফমতনা!
করম্বা থম্মোয়না খাংগনি,
অৱাবসি খাংবদা থম্মোয়সে
নিংখাইরে মচেৎ কয়া থোক্লা।
মসিরা তাইবঙ পুন্সি
মসিবু কৌৱা মীওইবা,
করম্বা মপোক্তা করি
ইরান লংশিনখিবা লৈখিবগীনো?
মরোল থোক্ত্রে থম্মোয়সে
চৈনাদো, খাংবা হোৎনবদা,
কয়াম কুইনা খাংখিনি
নোংদম্বা মাগী নোংদমখোল।
থৱায়না খাংলি কম্বীথক্তা!
অহিং তাংলৌ অথেংবদা
উইশিল্লু য়াখিদে মীন্নাদো
চোৎখি পিরাংতনা মোন্দা।
পোকঙমদ্রবা মীওই মপোকনি
হায়নবদাই অশৈবা কয়ানা,
মপোকসিনা লোইখ্রসনু, পূম্নমক
খোইদাজদে মপোক অমা।

# শঙ্গোম গ্লাসতা তোংবা হয়িং

**(A Fly on Glass of Milk)**

*- অমাদো ভি হর্নানদেজ*

মিত্রংগা চপ মান্নখ্রে, বন্দোংগী মিৎনা উরিবদু।

অয়ূক অমনি, ত্রক অনী অমদি বুলদোজর অমগনা গোদ্রোং গোদ্রোং থৌজিল্লকপদু মাগী ইংখোল নাকলদা। অহানবা চঙলকপা ত্রক অদুনা শিন্মী কাঙবু অমা, অতোপ্পা অমদুনা খূৎশু খূৎলায়, পোৎ-চৈ পুশিল্লকই। মাঙ থারকপা নুপা অমনা মখূৎ খুদোম্বীনা নমদুনা ব্লু-প্রিন্ট অমা য়েংবা হোৎনরি।

থুখ্রবা জাৎনি, নুমিৎ য়ুংদ্রিঙৈদা শিন্মী ময়ামদুনা লোইখ্রে, খাংপোক অমা শাবা, উপাক্লা খাগৎলি, টিন অমনবনা কূপশিল্লি। মফমদুদা মখোয়না পুরকপা খূৎশু-খূৎলায়, পোৎ চৈদু থমখ্রে।

হেক নোং ঙানবদদি, অহিংদগী শিন্মীশিংদুনা য়ানথৎপগা শেংদোকপগা, হেক্তর ৩০ চাউবা লমহাংদু নাপী শীংনা মৈ থাদুনা পূল্লং লংখ্রে।

বন্দোংনা মিৎ কৃপ্তনা য়েংলি, কৈনো মখোয়না তৌদোইরিসিবু হায়না, মাগী য়ুম মনীংদগী। মহাকসু লৌমীনি, অহিংদগী হৌদুনা লৌ খোইবা, য়োৎ তৌবা মাগী থবকনি, মশাসু কনবা য়াবা কল্লি। মাগী লৌ খোইদোকপা, পল থিংবা, শীং খায়বা, পাম্বী মখোঙ পেংবা, ঈশিং চাইবা মাগী মথৌ ঙাক্তনি। মশা চহী ৫০ শুরবসু মহাক হৌজিক ইনখৎলকপা পাখঙ মচা অমগুম খঞ্জরিবনি। মাদি লৌবুক নাপী ফোয়রবসু, ফৌ মখোঙ পেংলবসু কৈদৌঙৈদা নাপী মৈ থাদোক্তে। অদুগী মহুত্তা মাদি অমমমদা ফোয়দোক্লগা, ককথৎলগা হার ওইহন্নবা হোৎনৈ। অদুবু লাক্লিবা শিন্মীশিংদুদি মদুগী ৱা লৈখিদ্রে, হেক্তা লমজাউ মৈ থাদুনা মোংশোংশিংদু উৎ ওলহনখ্রে, মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা লৈহাও লোইনা মাঙহনখ্রে। অদুনদি মফমদু পাক্লা লৌ উবা, মহে-মরোং থাবা য়াররোই।

হুম্নি শুবা নুমিত্তদি বুলদোজরদু থবক হৌখ্রে। তেমখায়খ্রে, অকুৎ-অতোঙ লোইনা শেমখ্রে। নুংথিলদনা ত্রকশিংদুনা চপখায়বা নূং হোঞ্জিলক্লে, পৈররে মপৈ মপৈ। বুলদোজরদুসু ওনবা শুকলেপ লেপখিদ্রে।

শিন্মীশিংনা পাইপ ফুমজিল্লকই, ঈশিং পুনবা, অদুগী মথক্তা লম্বীদু শেমজিল্লকই, লম্বী নাকল অনীদুনা নালা অনী শাংনা চলশিল্লকই। লম্বী শেম্বা লোইখ্রে।

চয়োল অমুক্কী মনুংদদি বন্দোংনা উরে, য়ূম্বী য়ুংখৎলকপা লম্পাক্তুদা, য়ূম শাগৎলক্লে, চিথেক মরিদনা ইলেক্ট্রিক য়ূম্বী য়ূংখৎলক্লে। মফম চানা পরেং-পরেং লমজং পরীংদু চিগোংলৈ পাম্বী, লফু পাম্বী থাগৎলক্লে। অহানবদা বঙ্গলো মানবা য়ূম দজন অনীরোম শাবা লোইশিনখ্রে। নোংমা নোংমগী শাগৎলকপনা অমদি ইহাঙ হাঙলম্বা লৌবুক্তু শম্বল খাজিনখিবনা তোঙান্না তারে। স্কৱার মিটর লীশিং অনীরোম ওইগদবা লমহাঙদু লৈকোলবু শেমগৎলকপনে, লৈবু থাজিল্লকপনে, গাড়ী থম্ফম, খাম্ফম, চৌকিদার অমদি লমশিৎ-ৱাইশিৎপগী লৈফম য়াওনা পীক থনখ্রে। ময়ায় ওইরপ চাউবা ঈরোইফম পুখ্রি অমসু হাপচিনখ্রে। বন্দোংনা পাউ লৌবা তোক্তে, শারিবা শঙ ২৪ রোমদুগী মতুং তাবা কয়া অমসু শাগৎলকখিদৌরি।

য়ূমশিংদু শাবফাও লোইফাত্রিঙৈদগীনি থাজিনবা হৌখ্রিবা, লৈহাও চেনবা লৈকুপ হৈজিল্লগা উরুম পীগদবা পাম্বী মচাশিং, লৈ মখলদা আদর গুলাপশিং, মনম নুংশিবা লৈ মখলশিং শুরে, অকোয়বদু ফজনবা হোৎনখ্রে।

বন্দোংসু থংননা লৈবনিনা থবক শূবশিংদুগা শকখঙ মায়খঙনরক্লে, মখোয়নবু হান্না মাবু থিরক্লে, ঈশিং পাইপ ফুল্লকপগী মতাংদুদা, মঙোন্দা হংলরে, ঈশিং শোকফম কদায়দা লৈবগে হায়না। বন্দোংনা অখঙবদু তাকপীখি। খঙনবা হৌরুবদগী মথঙগী নুমিত্তদি বন্দোংখোয়গী চাক থোংবদা মখোয়গীসু খরা হাপচগে, মতিক চানা পৈশা পীজগে হায়গৎলক্লে। অদুনা, নুমিৎতুদগী, বন্দোংগী নুপীদি, অনা কৌবীদুদি, অয়ূক্তগী মম্বা ফাওবা পোখাদ্রে, কিলোমিটর ৪ লাপ্পা কৈথেলদু চৎতুনা ইনশাং-নাপী লৈরুনি, মীওই ২০/২৫ লোমদুগী চিঞ্জাক অৱাৎ-অপা লৌরুনি, থোঙ্গনি-থাক্কনি। মতমদুদা মফমদুদা থবক শূররিবা মী মশীংসি ৬০ লোম শুরবনি। অদুবু তঙ্খায় খরা হেনবদি মশাগী চাক পূজরকই। অদুগা অতৈনা থোংলগা চাজগদবনি। বন্দোংগীদা য়েৎলরিবা কাঙবুদুনি, মখোয়দি ইহান হান্না বুলদোজরগা থুংলখিবশিংদুনি।

অদুনা সুম তিন্নরবনিনা বন্দোং খঙলে, অহানবদা মোংশোং ওইরম্বা দোন ফিলিপকী লমদুদা শাগৎলক্লিবদু করিনো হায়বা। মফমদু কোর্পোরেসন অমনা লৈরবনি, ললোনবা খরগা, লৈঙাক্কী ওফিসর খরগনা পূল্লগা শেম্বনি। অদুনা শাগৎলক্লিবা য়ূমশিংদু কোর্পোরেসন্দুগী মেম্বরশিংদুনা লৈনবনি, শেল পায়খ্রবা ঙাক্তনি।

- "অদু ঐনা নহাল নোংমা উখিবদুদি চাইনা মচা মাল্লিনে।" বন্দোংনা ৱারী শানরিবা শিন্মীদুদা পল্লুই।

- "এ: মখোয়গীসি অপিকপা য়ুনাইটেদ নেসন অমা শেন্নি-জাৎনি। পূমতোৎনি। আমেরিকা মচা য়াওরি, চাইনা মচা য়াওরি, জিয়ু য়াওরি, মেষ্টিজো হায়বদি মপা-মমা জাৎ তিন্নদবগী মচা য়াওরি, ফিলিপিন্স মচা অমসু।"

শিন্মীদুনা মখা তারকই।

- "চুম্মী! ঐদি মুম্বাই মচা অমসু উখি।"

- "হোয়, অমা য়াওরি। মখোয়গীসিদি পৈশা পায়রগা লোইরে হায়দুনি, পৈশানবু থা অমদা পিসোস (লুপা) লীশিং ৩০কা ইনকম লৈরবা অদুগা মশাগী একাউন্টতা পিসোস মিলিয়ন তঙ্খায় অমকা লৈরবা, অদুম য়ারে।"

- "অদুদি মীওইশিং অসিদি 'শেঞ্জাও পায়বা' ঙাক্তনিনে, নৎত্রা?" বন্দোংনা খুমখি।

- "অদুনি, মখোয়গী মকোক দোন লম্বর্টো লাদ্রোন হায়দুদি মিলিয়নিয়রবু ওইরমদৌ মাল্লি। মহাক্তু আমেরিকাদা কুইনা লৈরুবনি হায়, মফমদুদা য়ু থিংঙুবা মতম খরা লৈখি মাল্লে, মদুদা হৌহৌবনি হায়। মহাকসি হ্বিস্কি লোন্না য়োনবদা মমিং লৈরি। মহাক লান মতুংদা হল্লকপনি, হান্ননা আমেরিকা সিটিজন ওইরবনি। মীনা সুম হায়নবদা মহাক হৌজিক হূরান-পোৎয়োন্দা মকোকনি হায়নরি।"

- "অদুবুদি হায়রুদুনা কান্নদ্রে।"

- "অদুবুদি হৌজিক্তি মরলসু লৈরে, চানীংবদসু চারেদনা। মাদি মরুপ-মপাং, লৈকায় লোইনা শেলনা লৈখ্রবনি। অদুনবু শেল পায়দবা, ঙা মহাগুম্বশিংনা মফমসিদা লৈবা ফংদ্রিসিনি।

- "অদুবু মসিগী মীসে, লম্বরটো হায়বসে অফবা মী ওইরমদৌদি মান্দেবু।" বন্দোংনা মখা তাখি।

- "করিনো নঙনা হায়রিসিবু?" শিন্মীদুনা হংজিল্লকই।

- "মহাক ইনাক খুল্লি হায়বসিবুদি চুম্বা, নঙনা হায়গুম্না। অদুদা মাগী পুন্সিদি তরং তরংবদি নত্তে।"

- "হেরা অদুবদি মালেমসিদা অমকপা লৈতবা পুন্সিবু লৈব্রদা? হা!" শিন্মীদুনা মরক থৎলকই। "মহাক লাখপতিনি, মসিদি চুম্লবা নৎত্রো? লৈঙাক মনুংসু, মপানসু মীওই লীশিংনি লৈরিবা, ইকায় ইকি হুন্দোক্তুনা পৈশাগীদমক অরানবা কয়া তৌনরিবনি।"

- "অদু ফনা ওইরসু ঐ মখোয়গী লৈকায়নি, মুন্না খঙই।" বন্দোংনা অমুক্কসু মখা তাখি।

- "খঙলম্বা য়াই। অদুবু নঙদি চেকপল ৱাংমদা লৈবনিদো।" শিন্মীদুনা নোৎশিল্লকই, "নঙনা লৈরিসিবু নঙগী অশেংবা লমলো?"

- "মান্নি কৈনো?" বন্দোংনা পোঙনা খুমখি, "ঐ মফমসিদা পোক্লিবনি, ইপানা ইপুশিংদগী ফংহৌবা, ঐনা ইপাদগী ফংহৌবা। কুইরবগী মমাঙদবুদি মফমসি জঙ্গলনি। ইপা-ইপুনা কোকথোক্তুনা, লৈহাও হাপ্তুনা, মহে-মরোং থারক্লিবনি। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংবুদি কাটিপুনেরোশিংনি, এন্দ্রিস বোনিফৌসওগা খুন্থোকমিন্নরকপা"।

বন্দোংনা মখোয়গী লৈফম অদুগী চাওখত্তবদু থোইনা ইকায়বা ফাওদনা হায়রিবনি। মাদি আশা তৌজরিবনি, থুনা চাওখৎলকখিনি হায়না। তৌবগীবুদি বন্দোং অমদি মাগী ইমুং মনুংসি নুংঙাইববুদি নত্তে। মখোয়গী মচা ৩ লৈ, মচানুপা অহলদুমদি সহরদা লাইরিক তন্নি। অতোপ্পা মচানুপাদুমনা মাগী থবক মতেং পাংলি। অতোনবী নুপীমচাদুমনা মমাগী ইমুংগী থবক মতেং ওইনরি। মখোয়গী নুংঙাইবা অমতং পনবা তারবদি ঈংনা-চিক্না, মীৱা-মীশা তাদনা পাঞ্জবা অদুদনি। মানা লাইরিক পাবা পামজরকপনা লাইরিক য়াম্না লৈ - ফ্লোরেন্ট, দ টুয়েল্ভ পিয়ারস অমসুং অতৈ নোভেল কয়া অমনি। অদুগী মথক্তা নোলি মে টংগিয়ার অমসুং ফিলিবষ্টেরিস্মো কৌবা লাইরিকশিংগী অমনবা কপি মনাক্তা লৈরি। কবিশাং টেলস কৌবদু মাগীদি পামজবা হিরোনি।

অদুনা মানা ঈংনা-চিক্না পাল্লি হায়বদু খঙহন্নীংদুনা শিন্মী অদুদা অমুক্কসু হায়, "ঐখোয়দি সিনেমা য়েংবকা নোংমতা চৎচদে। করিগুম্বা মনিলা সহরদকা চৎলুবা নুমিত্তুদি ঐদি অনা-লোয়বা জাৎনি।" বন্দোংগী লম মচেৎতু হেক্তেয়ার অমদি পাক-চাউরমগনি। লমদুগী মমাঙ থংবা শরুক্তনি মাগী মল্লবা য়ূমদুনা লৈরিদু, ৱানা শাবনি, ঈনা কূপ্পনি। নোং কন্না চুরসু, নুংশা ফনা শারসু চহী কয়াসি খাঙলক্লবনি, মুর্ত্তি চুম্না হান্নগুম। মাদি বঙ্গলোদা লৈদৌ শরুক মাগী খাংপোক অসিদা লৈজগে হায়রিবনি। লায়রজরসু তশেংনা মখোয় নুংঙাইনা লৈজে।

অদুগা মাগী য়ূম মনীংদনা, মতাইদা চাউরবা হৈনৌ পাম্বী ৬ অমসু হৌরি। চহী খুদিংগী উহে ফজনা অদুম হেক্লিবনি। অদুদা নত্তে, পুংদোন পাম্বী খরা, অতৈ পাম্বী খরসু হৌরি। মদুগী ময়াদনা বন্দোংনা ইনশাং নাপী থারি। মাগী লমদুগী নাকল অমদনা ওক খরগা, য়েন খরগা য়োক্লি। পূম্নমক অসিনা মহাক, মাগী নুপী অমদি মচাশিং হিংনরিবনি।

হায়না হায়না অনৌবা লমহাংদুদা শাগৎলকপা বঙ্গলোশিং অদু শাবা লোইশিল্লক্লে। লৈগদবা মপু মপুশিংদুনা পামজবা মচু তৈনখ্রে। মাগী মাগী শুমাঙ থেলোংদু য়োৎকী য়ূম্বী য়ুংদুনা য়োৎলি তরানা খাজিন্নে। য়ূম খুদিং টেলিফোন তারা তিংশিন্নখ্রে, য়ূমথক খুদিং টি ভিগী এন্টেনা য়ুংখৎনখ্রে।

হায়রিবা থবকশিংসি শুপ্নগী থা ৫/৬তা লোইশিনখ্রিবনি। হান্না লৈহাও চেনবা লম ওইরম্বা, নাপী, মোংশোং হৌরম্বা, নোং হেক তারকপদা লৈখোম থোক্লম্বা লমহাংদু হৌজিক্তি সহর মচা অমা ওনখ্রে, কল্লক্লফম ওইবা য়ূম কয়ানা থলখ্রে, অদুসু মৈনা পূমঙাল, হে-লৈনা মরোল অমা। তশেংনা নুংঙাইবা, চাওখৎপগী য়াইফকোল ওইখ্রে। বন্দোংদি য়েংবদদা মাগী মিৎপু থাজরক্তুদুনা হন্না হন্না তৈথোক্লে, মঙলা তাইবঙলা হায়না।

হৌজিক্তি য়ূমশিংদু মী হোংজিন্নরক্লে। লাক্লিবা য়ূম্বু খুদিংমক মপোৎ-মচৈ ট্রক-ট্রক্তি পুনরক্লিবা। পিয়ানো কয়া, রিফ্রিজরেটর কয়া, উন-উপু কয়া, টেলিভিজন কয়া, হাই ফাইগী রেদিও কয়া কয়ানি য়াওনরক্লিবা। অদুগী মথক্তা চাকখুমগী, চাক চাফমগী কয়া অমনি পুনরক্লিবা - ফমুং, সোফা, ডাইন্নিং টেবল, চৌক্রি অমত্তা ৱাৎনরক্তে। য়ূম অমা পানবগী শুরে পোৎ। অদুদা নৎত্রি, ইংখোল কোইনবা, লৈকোল শেংনবা খূৎলাইশিং, ইমুংগী শীজিন্নবা মিংশেল, থাউমৈ, ডেস্ক, বেঞ্চ, ইলেক্ট্রিক্কী পোৎ কয়া কয়ানি পুনরক্লিবা। লোইদ্রি অদুনসু, অয়েকপা লাই কয়া, ফুল গ্লাস কয়া, লাইরিক কয়া, ফাইল কয়া, সোফাগী কুসন কয়া, ফজখ্রবা অরংবা পোন কয়া অমত্তা হেক ৱাৎত্রে। ইমুং খরদি মনা-মশিংগী হীদাক কাপ্নবা পম্পশিং, নাপী কক্নবা মেছিন, অঙাংগী শান্নপোৎ মখল মখলনি পুনরক্লিবা। বন্দোং অমসুং মাগী নুপীদি অমুক্তবু উজদ্রিবা পোৎ ঙাক্তনি। মথং মথং হোংলক্লিবা ইমুংশিংদু অমত্তা হেক চিখদনা মখোয়নি য়েংজরি, মাগী মাগী ফজখ্রবা অনৌবা বঙ্গলোশিংদুদা চঙনখিবদু। বন্দোংনা শোঞ্জে :

- "তৌরিবসিবু মখোয়সিনা হন্দক্তা নৌনা হাংদোকখিবা ইনাকখুনবা ললোনবা নুপাদুগী কৈথেল অদুদগীবু হেনখ্রেনে। অসুক য়াম্বা পোৎয়াম অসিবু কদায়দবু থম্মুদৌরিনো?"

মখোয়গী ইমুংগা য়েংনরুবদা ইকায়বনা শিরে, মখোয়গীদি চহী ২০ লোম য়ূম্বাল্লকপা অদুদা শুপ্নগী চানবা প্লেট খরা, টব অমা, ঈশিং হাপ্নবা চফু অনী, ফি তক্নবা কোনয়াই অমা, য়োৎ অমা, থাঙ্গোল অমা, হোরাই অমা, শীংজং অমা, অদুগা থাঙজৌ অনী অদুনা লোইজরে।

অনৌবা কোলোনী অদু চঙলকপগী লমজিন্দা ফজনা নূংনা চনখৎপা সনথোঙ অমসু লোইখ্রে। মদুদা ইরি - রোয়েল লেনস (প্রাইভেট) হায়না। বন্দোংদি ইরিবদুসু করি হায়রিনো খঙজদে। অদুবু স্কুল তন্নিবা মচা অদুনা হায়বদগী ইরিবশিংদুগী ৱাহন্থোক খঙজরে। "মফম অদু লন্নাইগী ওইবা লৈরিবশিংদুগী ঙাক্তনি, মপানগী মীনা চঙলকপা য়ারোই" হায়রিবনি হায়বা মহাক খঙজরে। হৌজিক্তি চঙফম লনজিন অদুদা থোঙশঙবা মীগী বঙ্কর অমসু শাখ্রে। থোঙশঙবা অহুম্না য়ুনিফোর্ম শেত্তুনা নাকলদা পিষ্টোল য়ানদুনা অহিং নুংথিল পালি নাইনা ঙাকখ্রে। অদুনা মপানগী মী অমা হেক চঙলকপদা মরম কূপ্না হংঙে, মরু ওইনা খোঙনা চঙলকপা অমদি গাড়ী মচাদা লাকপা মীশিংবুনি তকখৎলিবা।

বন্দোংনা অহানবা উবা ওইরুবনরা খঙদে, থোঙশংবশিংদু ওন্থোক্লা তাখৎনা উখ্রে, শাউগনবা ঙাক্তা ওইনা তৌখ্রে।

হৌজিক্তি শিন্মীশিংগী থবক লোইরে, অদুনা নোংমদি বন্দোংখোয়দা চাক হাপ্লম্বা শিন্মীশিংদুসু বন্দোংগী নুপীগা শেল পাথোক্লরগা পীথোক্লম্লে। অদুগা চৎখ্রে, বিদায় তৌরম্লে। মখোয় অমুক মফমদুদা হল্লক্লরোই। অদুনা হায়রম্মী :

- "থাগৎচরি বন্দোং, থাগৎচরি অলিং অনা!"

নুমিদাংদদি বন্দোংগী নুপীদু মানা শিন্মীশিংদুগী থা খরা চাক হাপ্পগী হিসাব পাদুনা শান্নৈ। তশেংনা পিসোস চামঙাদি তোংলে। মানা হরাউনা বন্দোংগী মাঙমক্তদা থীদুনা উৎলে।

- "হন্দক মঙায়রিকো ঐখোয়না অসুক য়াম্বা শেন্দোং ফংবা ঙমজবা, হা বন্দোং।" মাগী নুপীনা নোক্তুনা হায়জরিবনি, "তোনয়িংনা মাগী স্কুলদা তন্নিঙৈসিদদি অসুক য়াম্বা চাদিং তৌরোই হায়না খল্লিকো।"

তোনয়িং মতোমতনি মখোয়গী লাইরিক তন্নিবা মচা হায়বু। সহরদা তন্নি।

- "ঐখোয় খন্নসি, ঐখোয় পৈশা খরসিনা কৈদৌসিগে? ঐখোয় টৌটি কোঞ্জিল অমত্তং পুশিল্লসিরা? ঐখোয়গীসিদা পুশিনবদা কয়াম চঙগনি?" অনানা মানা নীংবদু হায়জরিবনি।

বন্দোংদু মাগী নুপীনা অদুম্না হায়দোক্লকপদুদা ঙক্লুরে। অদুবু মানা থুনা হেক য়েৎলুদ্রে। অদুনা মাগী নুপীনা মখা তারকই :

- "নঙসু খল্লু! নুপী ঐনা ঈশিং হোল্লিসি আ তুরেলদগীনি। কয়াম ৱায় খঙব্রা?

- "অদো ঐ ঈশিং ৱাৎলে হায়নদি নিংঙাই তৌদবনিকো।"

বন্দোংনা খুম্মকই।

- "অদুদা নত্তে, ঐনা ফি শূবা তাবদা তুরেলদা চৎলগা শূবা তাবনি। কয়াদি লাপখ্রে। অদুগী মথক্তা নোং হেক তারকপদা নঙদি তুরেল ঈশিং থকউ য়াদ্রিদুনি।"

- "ফরেনে, অদু হৌজিক কমদৌসি হায়বনো?" বন্দোংনা চম্না হংঙি।

- "ঐনা খনবদা মখোয়গী পাইপ পুশিল্লকইবা অসিদা হুৎলগা ঐখোয় ফাওবা পুশিল্লক্লবা পাইপ শম্বা য়ারোইদ্রা? য়ারদি মদু তৌবদা পিসোস ৫০০ অসি লোইনবু চঙঙোই খল্লি।"

- "ঐগী ৱাদি নঙনা অদুক ৱানা তাঞ্জবা পৈশাদু লোইনা চঙখিদৌ ওইরদি তোটি তাবকা পামজদেবু।" বন্দোংদু নোক্লে তৌবদু চিনবান্দা উৎপা ঙমখিদে।

- "ওহ! নঙসিদি..." অনানা ৱা থৎখ্রে।

বন্দোং হংদুনা য়েংঙুরগে হায়দুনা রোয়েল লেনস (প্রাইভেট) কাঙবুদুগী এদমিনিষ্ট্রেটর অদু অমুক্তং উনরুগে লাকই। মানা সনথোঙদু লানশিনগে হোৎনবদু লায়খিদে। থোঙশঙবদুনা মরম হঙ্গৎলক্লে, বন্দোংদি কূপ্না হঙ্গৎলকপদুদা শাউবু শাউনীংলুরে। অদুবু মমৈদদি থোঙশঙবদুনা ফোন্দা হংখ্রে, থাজিল্লকউরা হায়না। অশোমদগী ওফিসর অদুনা ও কে হায়রক্লমাল্লে, বন্দোংদু উচিন নাচিন্না চঙহল্লে।

ইথা থাজদনা এদমিনিষ্ট্রেটর অদু হরাউ হরাউ বন্দোংবু কৌশিল্লক্লে :

"ঐনদুম নখোয়দা লাক্লগা নঙবু অমুক্তং উনগে খল্লম্লিবনি।" ওফিসরদুনা ৱারীদু হৌদোক্লককই, বন্দোংগী লাকপগী মরমকা হংদনা মশানা শক তাকচরকই, মাগী মমিং পেনা কৌই হায়না। বন্দোংনা খুম্বা ঙমদ্রিঙৈদা মানা মখা অমুকসু তারকই :

- "কুইরবনি, ঐনা নঙ অমুক্তং উনরুগে খল্লিবসি।"

- "ঐগী লায়র-শঙ্গায়গী থোঙ মতম পূম্বগী হাংদুনা থমজরি।" বন্দোংনা খুন্নিবনি। অদুবু ওফিসর অদুনা উননীংবগী মরমদু হেক তারুবদদি বন্দোং করি নুংগী হায়জরুরবনো খল্লকখি।

- "নঙনা মফমদুদা লৈরক্লিবসি কয়াম কুইরে?" ওফিসরদুগী ৱাহংনি।

- "কুইরে, চহী লীশিংগী ৱাদা নৎত্রে, ইপা ইপুনা লমসিদা খূন্থোক্লককপদগী মথং মথং লৈরক্লবনি।" মসিনা বন্দোংগী পাউখুমনি।

- "ঐনা হংনীংলিবনা, নঙনা লৈরিবা মফমদু নঙগী মিংদা লৈব্রা হায়বা?"

- "লৈতদি কৈনো, কৈসু চিংননিংঙাই লৈতেনা।"

- "অদুদি পট্টাদি পায়রিকো?"

বন্দোং ৱাহংদুদা পূমঙক ঙকখ্রে। অদুবু কৈসু চিংনদনা অদুম খুম্মী:

- "করিগী ওইরবনো, অদু হংলিদুবু?"

- "মাং বন্দোং! কোর্পোরেসন অসিনা নঙগী লমদু লৈবা পাম্মি।"

- "ঐগী লমসিদি য়োন্নবা নত্তে।" বন্দোংনা চাউথোক্লা খুমখি। অদুবু পেনাদুনা মানা খুন্নিবদু তাশিন্নদবা মখৈ মখা অমুক তারকই :

'নঙগী নশাগী মিংদা পাট্টা লৈরগনা লৈগে হায়বা। লৈত্রগনা নহাক কাঙলোন লান্না লৈশিনবা মী হায়বদু ওইরবা।"

- "করি? ঐবু কাঙলোন লান্না লৈশিনবা?" বন্দোংদু শাউবনা মশা নীকই। ওফিসরদুনা চাউনা ঙাঙবদু তাবদা। পেনা কৌবা ওফিসরদুনা অমুক তপথশিন্নদুনা মখা তারকই:

- "শাউনু মাং বন্দোং! ঐ করিসু অকায়বা হায়দ্রি। ঐনা হায়বদি আইনগী ৱানি।"

- "আইন! করি করম্বা আইন?" বন্দোং খোল কনখৎলকই। মাগী লাইবক্তা অশাউবগী ময়ি উৎলকই।

- "ঐনা আইন পনবগী ৱাদি, নঙনা করিগুম্বা কাঙলোন কায়না লৈশিনবা ওইরবদি নহাক তান্থোকপা য়াই হায়বা।" পেনানা শন্দোক্লা তাকই।

- "ওইথোক্তবা ৱানি, মদু তৌগে হায়রবদি থাউগা ঈশিংগা হান্না তিনশিন্নবা তমখো।" বন্দোংদু ৱাগী মতুং ইন্না খুম্মে। মঙোন্দা য়াওবা নোল্লুকপদু মাঙখ্রে।

- "অদুবু ৱাফমসি য়ানবা অমদা লোইশিনবনদি ফৈ। য়াবু য়ানরবদি নহাক্কী লৈফম অতোপ্পা অমা থিবদা কোর্পোরেসন অসিনা ফজনা পাঙ্গনিদা।" ওফিসর অদুনা তকশিন্দুনা হায়রকই।

বন্দোং তুমিন্না খাঙবা নত্তনা উপাই লৈত্রে। মানা লাক্লিবসি মাগী নুপীগী ৱা লৌরুবদগীনি- নৎলমদ্রবদি মহাক মকোক অসি শারম্মোইদবনি। অদুবু মাগী শ্বর অমুক্তং চনীং তানা হোল্লগা মহাক্লা তপ্না হংলকই, মাগী অশাউবা পূম্বদু ফাজিল্লগা :

- "করি মরমগী ওইরবনো, মখোয়না ঐগী লম অসিবু অসুক য়াম্না পাল্লিবা? অদুগা ঐনা তাইবঙ হেক ফাওরকপদগী লৈজরক্লবা ইরম অসিদগী ঐবু তান্থোকপা পাল্লিবা?"

- "অদুবুরো, কোর্পোরেসন অসিনা পাল্লি, মঙগী লমদম অমা শেম্বা, ফিলিপিন্স লৈবাক অসিদা মপা লৈতনা ফজবা লৈকায় অমা শেমগৎপা। মখোয়না মখোয়গী 'রোয়েল লেনস' কৌজবা মফমসিগী মনুং-মপান ফজহনবা পাল্লি। অদুনা নঙগী খাংপোক অসি মফম চারমদ্রে, মসিনা লমসিগী ফজবা লোইনা মাঙহল্লে।" বন্দোংদু মশা ফাথবা ঙল্লক্ত্রে, মশামক্কী য়ূম্বু ইকায়বা পীদুনা অদুম্না ঙাঙলকপদু তাবদা মহাক ফুক হৌগৎলে, অদুগা বজ্র থাদরকই :

- "সার! ঐ চৎলে।" মখৌ পোঙনা ঙাঙলম্মী।

- "মাং বন্দোং!" পেনানা খাম্নবা হোৎনৈ।

- "ঐনা নঙগীসিদা লাক্লিবসিগী মরমসিসু ঐগী য়ূমলৈ-কৈরৈ ফীভম ফগৎনবা হোৎনগে খনবগীনি। ঐগীসু টৌটি কোঞ্জিল শমগে, ইলেক্ট্রিক পুশিনগে য়াগদ্রা অমুক্তং হংগে লাক্লিবনি। অদুগবু..."

বন্দোংদু মানা লাকপদুগী মরমদুদদি ফোঙদোক্লমগে খন্না খা চিক্তুনা ঙাঙলম্লিবনি।

- "মদুমা ওইথোক্তবা ৱানি।" পেনানা মরক থৎনা খুমখি।

- "ৱাদুনা অদু ওইরবদি, ঐনা কৈসু হায়রমদ্রে হায়না খল্লো।" হায়না হায়না বন্দোংদু থোঙ য়ৌখ্রে।

- "ঙাইখোনে, বন্দোং! ঐগী ৱাসিসু নঙ তাখোনে। নঙ অসিমসু খঙজিনখো। সাহেবশিংসিনা নঙোনলোমদগী লাক্লিবা নমথীবা মনম, নঙগী ওক-য়েনগী মনম, য়েন্নাউশিংগী লাঙবা খাঙবা ঙমদ্রে হায়খো হায়রিবনি ঐঙোন্দা।" পেনাসু লাউরকইবনি।

- "মখোয়গী মনাতোন কয়াম শিংঙদনা?"

- "রোয়েল লেন্স অসিদি অদুগুম্বা শাদু অথিংবা লৈ। লোইগে হায়রগনা হৌদোং, অতাঙবা হূই, কনারী ঈথৎতগী পুরকপা কনারী উচেক, নৎত্রগা অঙাঙবা ঙা য়োকপা য়াই।

-মখা লমায় ৭তা

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেং অমদি শৈরেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*